ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৪৮শুবা মশীং

# বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্ট লৌবা

## ওফিস চাং নাইনা কাহনবদগী থবক পীবনা হেন্না মরু ওই

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ী মশীং অসি ৭০,০০০ গী মথক্তা য়ৌরে। য়াম্লবা ইমপ্লোয়ীশিং অসি লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৫০ রোমগীনি। ইমপ্লোয়ী মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা পুলিসনি। ষ্টেট অসিগী পুলিস পার্সনেল মশীং ৩৩,০০০ রোম য়ৌরে। পুলিসকী মথংদনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনি হায়না পানরি। পার্সনেল মশীং খ্বাইদগী য়ামদবা দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটেটিষ্টিক্স অমসুং ৱেঠ এন্দ মিজর য়াওরি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ওইনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ৫০ রোম অসিগী মশা লোয়শঙশিং হাংদোকফম থোকই। অদুবু দিপার্টমেন্ট তঙ্খায় অমা হেন্না মশা লোয়শঙ হাংদোক্তনা লৈরি। মরু ওইনা লোইজিং-লোয়াদা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, এদ্যুকেসন, ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্দ দিভলপমেন্ট ওফিস, ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট (আই এফ সী দি), পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিনচিংবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা তোঙান-তোঙানবা মখলগী দিপার্টমেন্ট ৫০ রোম অসি হাংদোক্লিবনি অমসুং দিপার্টমেন্টশিং অসিদা মথৌ তৌগদবা ইমপ্লোয়ী ময়াম লৌরিবনি। হায়রিবা ইমপ্লোয়ীশিং অসিনা থবক তৌরিবসি মীয়ামগীনি। লৈঙাক্কী থবক হায়বসি মীয়ামগীনি। মরম অদুনা গর্ভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অসি মীয়ামগী সার্ভিস তৌননবা থম্বা কাঙবুনি হায়না লৌরবসু থোয়না কায়দে। চহী অমদা লুপা ক্রোর লিশিং কয়ামরুম চাদিং তৌদুনা থল্লিবা ইমপ্লোয়ীশিং অসিবু মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা নিংথিজনা শিজিন্নবা ঙম্বা হায়বসি মীয়ামগী ওইবা তৰু-তনানবা, মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা, শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা, থৌশিল হৈবা লৈঙাক অমা লৈবা ঙল্লবতদা ওইথোক্কনি। পীকখ্রবা ফার্ম অমদা মীওই ১০০/২০০ খক থবক তৌবা ফাওবা ফার্ম অদুগী মেনেজরনা ৱারকপা ঙমদবগী ৱাথোক মরক্তা মীওই লিশিং ৭০ হেন্না ষ্টেট অসিগী কাচিন-কোয়া খুদিংমক্তা থারগা থবক তৌই তৌদে হায়বসি থিজিনবদা থবক অমা ওইগনি। শম্না হায়রবদা মী অমনা তৌবা থবক মী অমনা পানবা হায়বসি অরায়বা নত্তে। অদুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবদি লৈবাক অসিগী লাম্নী মিল্লিয়ন ১০ হেনবরোম অসি শুপ্নগী কম্মান্দর অমখক্কী মচিন্দগী থোরকপা ৱাহৈ অমখক্তু ইনবদা পার্সনেল লিশীং-লিশীংগী থৰায় কৎনরিবনি। মসিনা তাক্লিবদি ৱার্ক কলচর অমসুং দিসিপ্লিন হায়বসিদগী হেনবা অমা মালেমদা লৈতে হায়বসিনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং অসি কালেনথাগী মতম অমসুং নিংথমথাগী মতম হায়দুনা খায়দোল্লগা ওফিস কাবগী মতম লেপ্পী। অয়ুক্কী পুং ১০ দা ওফিস কাগদবনি হায়বগী চৎনগদবা য়াথং লৈরগসু সেক্রেটেরিয়েট, জুদিসিএল সার্ভিস অমদি অতৈ দিপার্টমেন্ট ১/২ নত্তনা মণিপুরদা অয়ুক্কী পুং ১০ দা ওফিস কাবা হায়বসি য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইরি। মিনিষ্টরশিংগী ওফিস অমসুং চীফ সেক্রেটেরি ফল্লিবা সিভিল সেক্রেটেরিয়েট ফাওবা অয়ুক্কী পুং ১০ নংননবা ইমপ্লোয়ী কাহনবা হায়বসি হৌজিক ফাওবা চৎনহনবা ঙমদ্রি। অদুবু ইমপ্লোয়ীশিং চাং নাইনা অমসুং মতম চানা কাহন্নবগীদমক সিভিল সেক্রেটেরিয়েটতদি বাইওমেট্রিক খিন্দুনা চৎনহনবা হৌখ্রে। অতৈ দিপার্টমেন্ট খরগী হেদ ওফিসশিংদসু বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্ট সিষ্টেম চৎহনবা হৌখ্রে। বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স লৌবা হায়বসি কম্প্যুটরনা ওপরেট তৌবনি। মহাক্কী নম্ফম অদুদা নম্লবা তুংদা মীওই অদুগী লাকপগী মতম অমসুং হনবগী মতম অদুখক্তমক রেকোর্দ তৌই। ওফিস অদুগী মনাক নকপদা লৈবা মীওই অমদি ওফিস অৱার অঙনবদা চঙশিল্লক্লগা এটেন্দেন্টকী নম্ফমদা অমুক নম্লম্বা অদুগা ময়ুমদা চৎখিবা অমসুং ময়াম্না হল্লমদাইদুদা লাক্লগা অমুক নম্লম্লগা থবক অমত্তা তৌরদনা হনখিবা অদুদি সিষ্টেম অদুনা ফাবা ঙম্বা? মসিনা তাক্লিবদি বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্সনা পীরিবা খুদোংচাবদুদগী এমপ্লোয়ী মশা অদুনা হৈনীংংনা মহাক্লা থবক তৌরিবসি মীয়ামগীনি, মহাক্লা ফংলিবা তলব অদু মীয়াম্না পীরিবনি হায়বা পীক্লবা ৱাখল্লোন অসিখক্তং খনবা ঙল্লবা অমসুং থবক্তা ওন্থোকহনবা ঙল্লগদি বাইওমেট্রিক লাক্ষ অমা লৈরুবগী কান্নবা করিসু লৈরোই। ওফিস চাং নাইনা অমসুং মতম চানা কাহনবা হায়বসি বাইওমেট্রিক এটেন্দন্ট সিষ্টেম অদুনা নত্তে। সিষ্টেম অদু য়েংলগা চপ চাবা থবক লৌখৎকদৌরিবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মসিমক চহী ২০/২৫ রোমগী মমাঙদা মণিপুরদা চৎনরম্বা কাঙলোন অমনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি দিপার্টমেন্ট খুদিংমক বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্ট সিষ্টেম লৈহল্লগনি হায়বা লৈঙাক্কী ৱাফম অসি তরাম্না ওকই। অদুবু বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্ট সিষ্টেম লৈহনবদগী হেন্না মথৌ তারিবদি দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংদা মথৌ পীবদুনি। ষ্টেটকী বজেটতা লুপা অমাফাওবা হাপ্তবা দিপার্টমেন্ট অদুদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিং থবক তৌহনবা হায়বসি অৰুবা অমনি হায়বসু লৈঙাক্লা খঙফম থোকই হায়নিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মিৎ নাবা অমা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**নহান** নোংমা ঐখোয়গী ওজা ময়াম কোয়বা চৎলি, পার্ক অমদা। লৈরাং-লৈখল কয়া অমা, ফজ-ফজরবা হৈ চারা, লৈ চারা মখল মখল কয়া অমসু য়োল্লম্মী। ফজবগী ফজবা ঙাক্তনি য়েংবদা, ঐখোয় নুংঙাইনা ফোটো নম্মীন্নদুনা অচাপোৎ চামিন্নদুনা পোত্থানখি ঙাইহাক্তংদি। নুংঙাইরিঙৈ মীকুপ্তুদা মিৎ নাবা কয়া অমসু য়াওরকখি। লৈশাবী পাখং জুরা-জুরা, স্কুল য়ুনিফোর্মদা লাকপসু য়াওই। মখোয় পুল্লপ ওইনা লাকমিন্নবসু নত্তে। অনী-অনী তোঙান তোঙান্না লাকপনি। নয়ূমদগীদি মমানা স্কুল চৎকদৌরিবনি হায়দুনা চাকঙন পীজরগা থাদোল্লমগনি। মখোয়না শোমদা কৈদৌরি খঙপোৎ নত্তে। মমাগুম্লবা মবোক্কুম্লবা ঐখোয়গী মমাঙদবু করিসু খন দনা লেঙ্গোন্নদু, মখূৎ শম্নদুনা ওন্থোক্লা মিৎ নারে। মণিপুরদি মণিপুরনি, মরুওইনা মৈতৈগী চৎনবীদা অসিগুম্বসি য়াম্না মিৎ নাবনি। মপান লমদা পংতৌ তৌবদু ঐখোয়গী স্বাইদসু তম্নরক্লে। মপানগী অফবা মতৌদি তম্নবা হোৎনদে, ফত্তবা মখৈদি ফজনা তম্মী। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংসি খরা চেকশিন্না শেন্নবিয়ু, মরু ওইনা নিংঙোল পোকপী মমাশিংনা নৎত্রগদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক য়াম্না থোল্লকখিনি। ইনখৎলক্লিবা লৈশাবী পাখংশিংসিসু লৈকায় লৈকায়দা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগুম্বা পাঙথোক্তুনা ৱাখল তাহনবা মথৌ তারে।

*অদোমগী - ডা. নির্মলা রাজকুমারী*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১। ঐখোয়গী 'ময়াংইম্ফাল' অসি হান্নদি 'ময়াংয়ূম্ফম' হায়না কৌরম্বনি। মদু খুমন নিংথৌ অমনা ময়াং কালিসা নিংথৌ অমগা লান শোক্লবদা খুমন নিংথৌনা ঙমদুনা ফারকপা ময়াংশিং লৈহনখিবদগীনি।
(ক) খুমন নিংথৌদুগী মমিং করি কৌই?
(খ) ময়াং কালিসা নিংথৌদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "নীংথিরবী নুজাগী/ঙক্তা শিবা লৈতেংগী/সনা লিকফাং মরক্তা/অমতা থানবা মনিগুম।" পরেংশিংসি কবি ময়ুরধ্বজগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু?

৩। তোংব্রাগী পুন্সি লোইরমদাইদা Tretalogy (দ্রামা ৪না শাবা) ইরম্মী। অহুমদি (১) সনাখৈ হূখ্রে লৈবাক্তে (২) ককখ্রবা কোকয়াম রাবন ককয়াই (৩) নুপীগী অধিকার অসিনি। মরি শুবা দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?

৪। "নাকল অমরোমদা শৈরেংদি কলানি/কলাগী মগুণদি আধ্যাত্মিক্লা পাদম ওনগদবনি, এস্থেটিক ভেল্যুনা মচু লোক্কদবনি।" ৱাফম অসি নুপী ক্রিটিক অমনা হায়বনি। নুপী ক্রিটিকতুগী মমিং হায়য়ু?

৫। "চীংনা ঐগী পন্থৌ, তম্না ঐগী পলেম" কৌবা হন্দোকপা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হৈ-রা য়োনবগী ৱাথোক

# ময়াং অমদি গর্ভর্ণমেন্ট অনীনা মতম শাংনা ৱাখল তাদবদগীনি

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**মীয়াম** চৎনবা থম্বা খোঙ লম্বী মথক্তা হৈ-রা য়োনবা পোৎলম ফমজিল্লে থাঙ্গাল বজারদা। মদু পোৎফম হায়বসু য়ারে অদুগা দুকান হায়বসু য়াই। মী য়াম্না চিনবা মফমনি, মী, গাড়ী য়াম্না চৎপা। তশেংনা হায়রবদি খোঙ লম্বী অদু হৈ য়োন্নবা পোৎফম নৎত্রগা দুকান ওন্থোকপদগীদি মী চৎনবা খোঙ লম্বী ওইবনা হেন্না মরু ওই। মরম অদুনা মফমদু থায়নঙৈদগী খোঙ লম্বী ওইনা মতমদুগী গর্ভর্ণমেন্টনা শাখিবনি। অদুগা মীয়াম্নসু খোঙ লম্বী ওইনা শীজিন্নরম্লবনি। অদুবু কান্নরবা থবক অদু তোকথোক্লগা ময়াংশিংদা হৈ য়োন্নবা পোৎফম নৎত্রগা দুকান ওন্থোকখ্রে। ওন্থোকখিবসি ঙসি ঙরাংখক্তা নত্তে কুইরবনি ঙসিদগীনা চহী নিফুগী ময়াবু ওইরমগনি। অমরোমদা হেল্লম্বসু য়াই মসিগী চপ চাবসু খঙদ্রবনা। মীয়াম্না খোঙনা চৎনবা ফুট পাথতুগী মথক্তনি উগী টেবলগুম্বা অমা শারগা থম্মী। মদুগী মথক্তুদা হৈ ময়াম থমদুনা য়োল্লিবনি। শম্না হায়রবদা লম্বী ময়ায়দা ফমদুনা পোৎ য়োনবগুম্বনি। হৈ য়োল্লিবা মীওইশিংদু পূন্না ১৪/১৫ শুরমগনি। মীওই ১৪/১৫সিনা য়ামখ্রবা হৈ-রাগী পোৎ-চৈগা লোয়ননা মী চিনখ্রবা খোঙ লম্বীদুদা ফমজিন্দুনা পোৎ য়োল্লিবনি। শম্না মীয়ামগী চৎনবা লম্বী থিংলিবনি মশা-মশাগী থবক তৌজবদা। হৈ য়োনবা হায়বসি গর্ভর্ণমেন্টকী থবক নত্তে মশাগী থবক তৌজবনি মশাগী শিনফম অমা ওইনা। মরম অদুনা থবক অদু মশাগী কান্ননবনি মশাগী ইমুং মনুং নুংঙাইজনবনি। হৈ য়োনবদগী ফংলকপা শেন্দোং অদু গর্ভর্ণমেন্টতা কাবা নত্তে মশা-মশানা ফংজরিবনি। অদুগা মখোয়না হৈ য়োল্লিবা মফমদুনা গর্ভর্ণমেন্টকী লম, গর্ভর্ণমেন্টকী লম্বী মীয়াম চৎথোক-চৎশিন তৌনবা গর্ভর্ণমেন্টনা শেল পুথোক্লগা ৱানা মতম চংনা শেম্বা।

মীওই ১৪/১৫না মরন্নাইগী ওইবা মপুন্সি হিংজনবা পোৎ য়োনবদা মীয়ামগী লম্বী চহী নিফুগী ময়াদা শীজিন্নবসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী মতুং ইন্না য়াব্রা? অসুক শাংনা চৎথরক্লিবসিনদি হৈ য়োল্লিবা মীওইশিংসু লো মখূৎতা পায়দুনা শান্নবগা মান্নদবরা? মথোং হুক্তবা হৈগী পোৎফম ফম্বদা অয়াবা পীরিবা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টসু (ঙরাং, ঙসি) লো মখূৎতা পায়বগা মান্নদবরা? করিনা হায়ববু লম্বী মথক্তা হৈ য়োনবা দুকান ফম্বা য়াবগী রুল কদাইদা লৈবগে? অহানবা অয়াবা পীখিবদু মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টকী করম্বা রুলগী মখাদনো? কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদনো, করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা গর্ভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদনো হায়না হংদবা য়ারক্ত্রে। ৱাফম অসি ঙসিগী মীয়াম্না য়াম্না খঙনীংবা হায়বদু ওইরে। মদুগীসু মথক্তা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী থবক পুবা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অদুসু কনানো হায়বদো মশক খঙনীংলে ঙসিগী মীয়াম্না। মতমদুগী গর্ভর্ণমেন্টনা কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা ৱাফমসি খন্নখিবজাৎলা, অয়াবকা পীখিবা লৈবজাৎলা? মসি পূম্নমকসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী রেকোর্দতা লোয়না লৈরমগনি। য়াম্না লুরিবা ৱাফম অমা থোক্লক্লিবদি অতৈ করিসু নত্তে করি করম্বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ফুট পাথতা হৈ য়োনবগী দুকান ফম্নবা ময়াংশিংদা অয়াবা পীখিবনো হায়বসিনি। মতমদুগী গর্ভর্ণমেন্টনা ময়াংশিং নুংশিবদগী লম্বী মথক্তা হৈ য়োনবা দুকান ফমজরো হায়দুনা অয়াবা পীথোক্লম্বরা নৎত্রগা ময়াংশিংনা লম্বী মথকসিদা হৈ য়োনবগী দুকান ফমজগে হায়দুনা গর্ভর্ণমেন্টতা হায়জরকপরা? মসিসু হংদবা য়াদবা ৱাহং অমা ওইরে।

ময়াংশিংনা মতমদুগী গর্ভর্ণমেন্টতা হৈ য়োনফম ফমজগে হায়জরমগনি খোঙ লম্বীদুদা। হায়জদ্রিঙৈদগী হৌনা হৌজিক লৈরিবা খোঙ লম্বীদুদা হৈ য়োনবা ফমদুনা লৈরম্বসু য়ারিপোৎনি। পোৎ য়োনবা ফম্লবা মতুংদা অয়াবা লৌরকপসু ওইরমগনি। অয়াবা পীখিবা গর্ভর্ণমেন্টুদি কোংগ্রেস পার্টি ওইবা তাবনি করিনা হায়ববু মণিপুরদা লিশাংশিংনা লৈঙাকখিবদি পার্টি অসিনি। অদুনা খোঙ লম্বী মথক্তা হৈ য়োনবগী পোৎফম ফম্নবগী অয়াবা পীরম্বসিমক্তি অঙকপা লৈঙাক অমনি হায়নীংই। খোঙ লম্বী মথক্তা ফমদুনা পোৎ য়োনগে হায়রিবা ময়াংশিংসু য়াম্না শাথিনা লাল্লি অদুগা অয়াবা পীখিবা গর্ভর্ণমেন্ট অদুসু হায়নীংঙাই লৈতনা লাল্লি। খোঙ লম্বীদুগী হেক মনাক্তা ভৈরোদান স্কুলগী চেকপলদু লৈরে। মদুগী মথক্তা জিজ্ঞ কুপশিল্লিবনি দুকান ফম্বা য়ানবা। অদুনদি শোয়রিবসি য়েংবিয়ু মীনা চৎকদবা খোঙ লম্বী মথক্তা ফমদুনা পোৎ য়োল্লে অমদি মহৈ তম্লিবা স্কুলগী চেকপলদা নপশিন্দুনা হৈ-রা থেৎতুনা থল্লে। অদুনদি ময়াংসু অদুগা গর্ভর্ণমেন্টসু চৈরাক ফংনীংঙাই ওইবনি। চহী অসুক কুইবসি ময়াং অমদি গর্ভর্ণমেন্ট অনীনা অশোয়বা অরানবসি তৌদুনা লাক্লে। অদুবু ঙসিদি পোৎফমশিং অদু লৌথোক্লবা হায়রুবদা ৱা থোক্লে। করিগীবু ৱা থোক্লিংঙাই লৈবগে? হংলিবা ৱাহংসি গর্ভর্ণমেন্টনি। গর্ভর্ণমেন্ট হায়বসিদা মতম শাংনা লৈঙাক্লম্বা কোংগ্রেস পার্টিদসুনি অদুগা হৌজিক লৈরিবা গর্ভর্ণমেন্ট অসিদসুনি। মতমগী অওনবা অমদি মী চিনশিল্লকপনা মরম ওইদুনা পোৎফমশিং অসি মখা তানা খোঙ লম্বী মথক্তা ফম্বা য়াররোই হায়দুনা মতম শাংনা পীরম্বা পার্মিট নৎত্রগা লাইসেন্সশিংদু চৎনহন্দ্রগা লোইরে। মসিদা গর্ভর্ণমেন্টনা হায়রক্কনি হায়বদু লায়বা অদুগা থবক ওইনা তৌবদদি লুখ্রবজাৎনি। থাজদ্রগা ঐখোয়না ফল্লিবা চৌক্রিসিদা ফম্লগা য়েংবিরু লাউ হায়রক্কনি। মদুনদি মীচং মীখায় নাইদনা লৈঙাক করম্না ফংহনগনি মীয়ামদা। সেন্তরদগী ময়াংশিংনা তকথরক্লবসু কৈদৌগে ফজনা পাউখুম পীখিবা ফুট পাথনি মীয়াম চৎনরিবা। মসিসু মী চিনখ্রবা সিটি ময়ায়দা। লীরবা স্কুল অমসু লৈরি। ফুট পাথসিদা ময়াং, মীতৈ, চীংমী, পাঙল লোয়না চৎলি, পূম্নমক্কীনি, সেক্যুলরিজম্নি হায়না পাউখুম পীরগা লোইরে। য়াম্না চাওখৎলে ঙসিদি অদুনা হৈ য়োনফমগী ওইরিবা ফীভম, ভৈরোদান স্কুলগী চেকপলদা নপ্লিবদু অমদি মী য়াম্না চিনবা লম্বীগী ফীভমদু ভিদিও নম্লগা দিল্লিদা থারগা য়েংহল্লগা লোইরে। মদুদা অদুম খঙজরনি ওইরিবা মওংদু।

ময়াংশিংনা মসিদা কম্ম্যুনেলগী ঈরাং শাগৎতুনা দিল্লিদা লান্না ৱাকৎপা য়াব্রা? ফুট পাথসিবু মখোয়গী ওইজরো হায়দুনা পাট্টা পীরব্রা? মখোয় পাট্টা পায়রব্রো? মখোয়না অসুক্কী মতিক পোলিটিক্স শান্নরিবসি করিগীনো? মখোয়দা তাথি-তাওইনা তৌবগী মওংদু নত্তে। অদুবু মখোয়দি তান্থোকপীরে হায়বগী মীনুংশি ফংনবা হোৎনরি। ফুট পাথতা পাট্টা তারে হায়দুনা পাট্টা পায়রম্লবসু পাট্টাদু ককথৎপা য়াই। ময়াংশিংদুদা গর্ভর্ণমেন্টনা য়াম্না শেংনা হায়বিগদবনি মদুদি চহী কয়া খোঙনা চৎকদবা লম্বীদা হৈ-রা য়োল্লে। অদুবু ঙসিদি য়াররোই মী চিল্লে, অহোংবা কয়া লাক্লে লমদমসিদা। ফুট পাথতি লায়রদুনা চহী চাম্মগী মথক্তা মশাগী লম ওইদুনা লাল্লবা শগোলবন্দ, থাংমৈবন্দ, উরিপোক, কৈশামথোং, য়াইস্কুল, শিংজমৈগী লম্বী পাকথোকপদা ইঙ্খোল কয়া, ফজ-ফজরবা য়ূম কয়া লৌশিনখিবা, থুদেকখিবদু নখোয় উখিবদুনি। অদুবু নখোয়না হৈ-রা য়োল্লিবা মফমসিদা পব্লিক প্লেসনি মীয়াম্না চৎকদবা লম্বীনি। নখোয়না লম্বী মথক্তা শেল তান্দুনা লৈরবদি ইঙ্খোল, য়ূম লৌশিনখিবা মীয়াম্না শাউরকপা তাবনি। রেল টালি শেম্বা, এয়রপোর্ট শেম্বদা পাট্টা পায়বা লৌবুক কয়া গর্ভর্ণমেন্টনা লৌশিনখ্রে। মখোয়নসু নখোয়দা শাউরকপা তাবনি। নখোয়দি মপান্দগী লাকপনি। ফুট পাথতা নখোয় নশাগী পোৎকুম্না পোৎ য়োন্দুনা লৈবা য়াবা মতম অদু নৎত্রে ঙসিদি। অদুগা নখোয়না লান্না মপান্দা পাউ শন্দোকপদি ফত্তে। নখোয়বু মপান দগী লাকপনি হায়দুনা তাথি-তাওইনা তৌবদি নত্তে। রুলনা য়াবা থবক নত্তে ফুথ পাটতা ফমদুনা পোৎ য়োনবা হায়বসি। ঐখোয়বু তান্থোকপীরবদি ঐখোয় কদায়দা করি তৌদুনা লৈগনি হায়রক্লবসু অসুম্না পাউখুম পীবা য়াই মদুদি লম্বী পাকথোকপদা ময়ূম মকৈ লৈত্রবা লমসিগী মীয়ামদুগী লৈফম চাফম গর্ভর্ণমেন টনা শিনবিবা লৈতে। মদুদি মশা-মশানা শিঞ্জগদবনি। অদুগুম্না নখোয়সু নশা নশাগী নশানা শিঞ্জগদবনি। মদুগীসু মথক্তা ফুথ পাটতা য়োল্লিবা হৈ-রাশিং অসি নৎত্রবদি ইম্ফাল মনুংদা হৈ-রা লৈবা ফংলরোই হায়বদুদি নৎত্রে। ফুট পাথ মথক্তা নত্তবা মফম চাবা মফমদা ফম্নবা হৈ য়োনবা ময়াং দুকান ময়াম অমা লৈরে। নুপী কৈথেল মনুংদা হৈ য়োনবী কয়া মরাং কায়না লৈরে। খ্বাই কৈথেলগী অকোয়বদসু হৈ য়োনবা পোৎফম কয়া শৌ-শাখৈ লৈরে। গ্রেটর ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা কৈথেলশিংদসু হৈ য়োনবা পোৎফম কয়া লৈরে। মরম অদুনা ভৈরোদান মনাক্তা নপ্পুনা ফুট পাথ মথক্তা ফমদুনা হৈ য়োনবা পোৎফমসিখক্তনা খ্বাইদগী মরুওইনা লৌবা চুমদে ময়াংশিং অমদি গর্ভর্ণমেন্টনা। মসি তকথোকখিবদা হৈ-রা লৈবা ফংলরোই হায়বসু লৈবা নত্তে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা মতাং অসিদা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌবা য়াম্নমক মথৌ তারক্লি। ফুট পাথকী হৈ-রা য়োনবগী ৱাথোকসিদা ম্যুনিসিপালিটি চেন্নদে হায়বা য়াদে। অৱাবা পীরল্লিবসি মখোয়ননি। হৌজিক ককথৎপগী থবক তৌগদৌরিবসিসু মখোয়ননি। ম্যুনিসিপালিটিবু মমায় চুল্লিবদি মীয়াম্না খনখিবা গর্ভর্ণমেন্ট অসিনি। অদুনা লৈঙাক্লা মমায় নিংথিনা চুমদবদা মীয়ামগী য়াইফনবগী মায়োক্তা লৈবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লকপা মশানা তাবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই লাক্ষ কয়াদা অকায়বা পীরবা হৈ য়োনফমসিবু ময়াং ১৪/১৫সিগী য়াকা য়েংদুনা লৈখিগদ্রা? হৌখিবা গর্ভর্ণমেন্টকী মতমদা ৱাথোকসি লাকপা হৌখ্রবনি। অদুবু চহী ১৫ চূপ্না লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী গর্ভর্ণমেন্ট অদুনসু লোইশিল্লমদ্রে। মতমদুদা লোইশিল্লম্লবদি ঙসিগী ৱাথোক অসি থোক্লল্লোই। অমরোমদা দিল্লিনসু অসিগুম্বা ৱাফম মচা অসিদা খূৎ থিংজিল্লোইদবনি। ময়াংশিংনা ৱাকৎলবসু মরম চাদনা মীচং হেক্তা চঙবগী থবক তৌবা ফজবা থবক নত্তে। অসিগুম্বা মতাং অসিদনি মণিপুরদা রিজনেল পার্টিনা গর্ভর্ণমেন ট পায়বগী য়াম্না মথৌ তারক্লিবসি। রিজনেল পার্টি ওইরবদি মখোয়গী হায় কম্মান্দ দিল্লিদা লৈররোই। অদুবু মণিপুরদা লৈঙাকপা পার্টিশিংদি নেসনল পার্টি ঙাক্তা ওইবনিনা ময়াংশিংগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিংদা খূৎ থাবা হেক্তা ঙমদে করিনা হায়ববু মখোয়গী হায় কম্মান্দগী য়াকা য়েংবদগী। ঙসি থোক্লিবা ৱাথোক অসি থোক্লমদবা য়াদবা ৱাথোক্লি করিনা হায়ববু মতম চানা লোইশিল্লম্লবদি। করিসু নত্তে মতম মতমগী য়ান-য়ানবা চৎখিবদগীনি। মদুগী মহয় পূম্নমক্লা ফংমিন্নবনি অদুগা মীতৈ মচাবুসু মবুক ফত্তবা ময়াংবু তাথিবা ওইনা উহল্লে।

# নুপীনা খুল্লিংবা লৈপাক অমা ওইরকহল্লসিরা?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

**ইরৈপাক** ইরমদম মণিপুরসিদা নোংম-নোংমগী খন্ননীংঙাই ওইবা হীরম কয়ামরুম চোঙথোরক্লি। হীরমশিংদুগী মনুংদা, 'মণিপুরদা এদ্যুকেসনগা মরী লৈননা মণিপুরী নুপীমচাশিংগী পোফম নৎত্রগা ফীভম' হায়বা হীরমসিসু অমনি। মণিপুরদা চহী খুদিংগী ওইনা হায়বা য়াশিল্লক্লিবা, ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বনচিংবা এগজামশিংগী রিজল্টশিং লাউথোকপদা মণিপুরগী ওইনা নুপীমচাশিং খক্তনা হেক হেক মকোক-মথংশিং তারক্লি। থৌদৌসি চুম্নগী অরায়বা থৌদৌ অমা ওইনা লৌবা লানগনি। শুপ্নগী চহী অনী-অহুমখক্তং মপা চানরুবদগী মণিপুরদা নুপীমচাশিংনা লাইরিক-লাইশুগী হীরমসিদা মকোক-মথংশিং তারকই হায়বগী ৱাফম খক নত্তে। চহী মশীং য়াল্লক্লে, মহৈ-মশিনগী লম্বীসিদা মণিপুরদা নুপীমচাশিংবু নুপামচাশিংনা লম্বা পাবা খক ঙল্লকত্রিবসি। থৌদৌসিগী ৱাহন্থোকসি করিনি হায়না লৌগদৌরিবনো? ফীভমসিনা অসুম্মক মখা তানা চত্থিবা তারবদি, মণিপুরী খুন্নাইসিগী পুৱারীগী ওইবা অনৌবা মায়ওন অমদি শোয়দনা হোংলক্কনি খল্লি। মসিনি খন্ননীংঙাই ওইরিবসি। পল্লিবা ৱাফমসিদা ইচানুপা পিবাশিংতবু শিংথারগা ইচানুপী নিংঙোল ওইবিশিংবুনা মীরায়বগী ৱাফম খক লৈতে। তৌবতবু, তাইবঙ লৈশেন্নকঙৈদগী হৌনা তাইবঙপাল পূম্বগী খ্বাইদগী হকপা অহকপা পোৎলুমশিংবু য়েৎকী লমদাং ওইবা, নুপা ওইবশিংনা পুনরকই অমসুং নিংঙোল ওইবী, ওইগী লমদাং ওইবীশিংনা য়েৎকী লমদাং ওইবা মখোয়গী মরুম থুপ্লপ তৌনা হিংমিন্নরকই, পানমিন্নরকই। মসি তাইবঙপানসিগী মচৎনি। মচত্তু ঙসিদি হোংলক্কদৌরিব্রা হায়বসি পূক্লিংদা চিংনবা ফাওরক্তবা ঙল্লক্তে। তাইবঙ খোঙচৎসি তেংনা হোংলক্কদৌরবা জাৎলা? মতম কয়া তাইবঙপানসিগী লীচৎ অমা ওইনা, পাঙ্গলনা শূরগা তাইবঙ চিঞ্জাক তান্নরিঙৈগী মতমশিংদা পাঙ্গল কনবা য়েৎকী লমদাং ওইবা মখোয়তনা মপাঙ্গল পুথোক্তুনা শূরগা নিংঙোল ওইবীশিংসিবু থাকপীদুনা লাকখি, মদুগী লমন ঙসিদি শিংগদৌরিব্রা? হৌজিক্কালসি পাঙ্গলনা শূরগা চিঞ্জাক তানবা মতমদু নৎত্রে। কোক্লা অমদি ৱাখলনা তাইবঙ চিঞ্জাক তান্নরবা মতমসিদা পাঙ্গল শোনবী ওইগী লমদাং ওইবীশিংসিনা অমুক য়েৎকী লমদাং ওইবা কাঙবুশিংসি শূহন্দনা থাকপীরসি খন্নরব্রা খঙদে। মদুম্মক ওইরবদি, ঙসিগী খুন্নাইসিদা নুপীগী মমলসি অসুক্কী মতিক ৱাংলগনি খঙবা ঙমদে, মতমসিগী ওল্লক্লিবা য়াওলনি।

অদুবু, পূম্নকসি ওইদুনসু মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিংসিদি অয়াম্বা মতমদা ঈথক্তা-ঈরাংদা তাওই, চাওখৎলকপা মতমগী অরং-অরাক্কী খূৎশু-খূৎলায়শিংদা মখোয়না মতিক-মপা চানদনা ঙন্তানা ঙাওই। ৱাখলনা হকচাংদগী চহী হল্লি, মপূক্লিং ৱারকপা ঙম্নদে, মশাগী ওইরিবা চহী মতাংদগী মপান্থোংগী ওইবা লীচৎনা য়াম্না হেন্না ৱাংখৎনা চৎলি। অনৌ-অনৌবা মতমগী অরং-অরাক্কী খূৎশু-খূৎলায়শিং উরুবদা মখোয়না মতিন তাবা মখৈ ঙাওজৈ। অদুগী মথক্তা, ইরায়-লায়না ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিংনা মখোয়বু খুদুম চনহল্লি। মশাগী ৱাখলনা অফ-ফত্ত হায়বা মচেৎ অমত্তা ফাওবা খন্দোক-খঞ্জিন তৌজবা ঙমজদে। ফীভমসিদা লৈরিবা ঙসিগী ইরমদমসিগী নুপামচাশিংনা মতৌ করম্না লাইরিক-লাইশুদা মকোক থারুগদৌরিবনো অমদি মহৈ-মশীনগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মকোক্তা করম্না চঙলমগদৌরিবনো? লুরিবদি ঙসিগী অসিগুম্লবা ইনখৎলক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইসিগী নহাশিংসি, খুন্নাইসিগী হয়েংগী অমত্তা ঙাইরবা য়ূম্বীরেলশিং ওইরক্কদৌরিবনি। মসিদনি মল্লিবসি। হীরমসিদা মুন্না খন্থরুবদা তঙাইফদনা খন্ননীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম চোঙথোক্লকই। মণিপুরদা মহৈ-মশীনগী হীরমসিদা নুপীমচাশিংতনা মকোক থোংলক্লিবা অমসুং মকোক-মথংশিং তারক্লিবসি মণিপুরী খুন্নাইসিগী তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নুপামচাশিংসিনা তশেংনা হামচৎ-হাম্ফোইনরে হায়বদু তাকপনি। ফনা হায়-শাদুনসু নুপা হায়বসি ইমুং অমগী হেদ ওফ দি ফেমিলিনি, খুন্নাই অমগীসু লুচিংবনি অমসুং লৈঙাকপসুনি। খুন্নাই অমগী লুচিংবশিং ওইগদৌরিবা অমসুং লৈঙাকপশিংসু ওইগদৌরিবা নুপা হায়বা কাঙলূপসিনা মতম চূপ্পদা কিথি-কিরুমতা তৌদুনা মীমাঙ থোকপা ঙমজদনা, নুপী ওইবীশিংগী মরুম লাংনা লৈবা তারক্লবদি খুন্নাইসি করি ওইরকফম থোকই? অদুগা তশেংনা ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসিদা খোঙফমসিমক্কী মমি অমা য়াম্না চেৎনা তাশিল্লক্কদবগুমসু উরি। মসিনি ঙসিমক খুন্নাইসিগী অপূনবা মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়না কুপ্না খন্নহৌগদৌরিবসি। 'করিগীদমক মণিপুরী খুন্নাইসিগী নুপামচাশিংনা লাইরিক-লাইশু অমদি মহৈ-মশীনগী লম্বীদা অসুক্কী মতিক শোত্থনা চৎলক্লিবনো'?

মণিপুরগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুসনশিং, লৈকায়-লৈকায়শিংগী ওইবা ক্লবশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেলগী ওর্গেনাইজরশিং কয়ামরুম্না মণিপুরদা মহৈ-মশীনগী লম্বীসি হেন্না থাক ৱাংখৎনবা হোৎনদুনা মেরিটোরিয়স এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরমশিং কয়ামরুম পাঙথোক্লরি। পাঙথোক্লরিবা থৌরমশিংসিদা মণিপুরগী মশক নাইরবা অচৌ-অশাংশিং কয়ামুক, এদ্যুকেসনগী লম্বীদা অসুক্কী মতিক নোলেজ লৈরবা অমসুং থোয়দোক-হেন্দোক্লা খুন্নাইসিবু মায়ওন চুম্বা ঙল্লবা, খুন্নাইসিগী অফ-ফত্তগী হীরমশিংবু চপ-চানা নৈনবা ঙল্লবা মীওই কয়ামরুমসু মশীং থিঙমদনা য়াওরি। অদুম ওইনমক, মখোয় পূম্নমকসিনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মণিপুরগী নুপামচাশিংসিনা লাইরিক-লাইশু অমদি মহৈ-মশীনগী লম্বীসিদা নুপীমচাশিংদগী অসুক্কী মতিক শোত্থনা চৎলক্লিবসিগী মতাংদদি থোয়দোকপা কম্মেন্ট অমা ফাওবা ঙসি ফাওবা পীবা থেংনদে। মসিমক্তি তশেংনা লাইবক থীবা থৌদৌ অমনি খল্লি। ঙসি-ঙসিমক, মহৈ-মশীনশিং তম্নরিবা মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিংসিগী মরক্তগী মখোয়গী মতমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরশিং ওইদুনা লৈপাক পুরক্কদৌবা ময়াম অমা য়াওরিবনি। ফীভমসিদা ঙসিগী লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিংনা লাইরিক-লাইশু অমদি মহৈ-মশীনগী লম্বীসিদা মীকোক-মীথোংবা ঙম্বা মহৈরোয় অমা ফাওবা য়াওরক্তবা হায়বসিদি তশেং-তশেংনমক, মতম অমদা লাক্কদবা মণিপুরদুগীদমক অকিবা অমা পোল্লকই। হীরমসিদা মুন্না খন্থরুবদা, হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী মীয়ামসু ওইরিবা, মতমসিগী নুপামচাশিংসিগী মমা-মপাশিংসু ওইরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কীসু চাউরবা থৌদাংশিং লৈ হায়বসি ৱাখলনা য়াম্না ময়েক শেংনা ফাওরক্লি। ঙসি-ঙসিমক, মণিপুরগী নুপামচাশিংসিনা করিগীদমক মহৈ-মশীন তম্বদা অসুক য়াম্না মীকোক-মীথোংবা ঙল্লকত্রিবনো? ৱাফমসি য়াম্না চেকশিন্না নৈনফম থোকই। খোঙফমসিমক শোয়খিবা ঙসিগী নুপামচাশিংসিগী মতমদা লাক্কদবা মণিপুরদু কলহৌনবা অতৈ পাম্বৈশিং খক লৈরোই। মসিদগী হেন্না লুবা পোৎশক করি লৈরমখিগদগে? ঐখোয় হীরমসিদা তশেংনা মুন্না খন্ন-নৈনহৌফম থোকই। য়ূম্বী শোল্লবা য়ূম অমগীদমক য়ুহা-হাবা অমসুং অকনবা নোং-নুংশিৎশিং কৈদৌঙৈদা খক থোকহনবীগনু হায়দুনা শেম্বীবা মপূগী মফমদা খুরুমজবা খক্তনদি কৈদৌঙৈদা খক চৎনবা য়ারোই। খুদক্তগী হৌনা ঙসি-ঙসিমক, ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং ওইরিবা মণিপুরগী নুপামচাশিংসিগী মপুন্সি কলহৌনবা হোৎনমিন্নবা তাই। ঐখোয়গী নুপামচাশিংসি হীরম কয়ামুক্তা অশোয়বা লম্বেলশিংদা চৎলি। মদুগী মহয়ননি লমদমসিদা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা নুপামচাশিংসিনা মহৈ-মশীনগী লম্বীসিদা খক মাঙজিন থাবা ঙল্লকত্রিবসি।

মথক্তা পনখ্রিবা মণিপুরগী নুপামচাশিংগী ওইরক্লিবা ফীভমশিংসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু খক তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপীফম থোক্তে। তুংদা লাক্কদবা ইরৈপাক-ইরমদম অমগীদমক ঙসিমক খুদক্তগী হৌনা মণিপুর লৈঙাক্লা অহকপা থৌরাংশিং য়াৎহন্নীংই। মচানুপাশিংগী শরৈনা ঙমদুনা নমদুনা লান্না চৎখ্রবা ইমুং কয়াগী ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিংগী ৱাখল্লোনশিং, অচুম্বা লম্বেল অমদা পুরক্লবা, জেনরেল ষ্ট্রিম-লাইন অমা ঙসিদগী হৌনা য়াম্না অথুবা মতমসিদা তঙাইফদনা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা য়াৎহন্নীংই। 'সি অৱার য়ুথস এন্দ সেভ অৱার য়ুথস' হায়বনচিংবা প্রোগ্রামশিং য়াৎথোক্তুনা খুদক্তগী হৌনা চৎহন্নীংই। ইরৈপাক-ইরমদমসিগীদমক, খুন্নাইসিদমক মতম-মতমগা চান্নবা থৌরাং কয়ামুক য়াথোকপীদুনা ইরমদমগী লৈঙাকসিনা লমদমসিগী মহৈ-মশীন্দা শোত্থরকপগুম উরিবা নুপামচাশিংসিগী মপুন্সিবু মতম চানা অমুক্তং কনবীহৌনবা হোৎনবদা অহকপা থৌদাংশিং লৌহন্নীংই।

*"মণিপুরদা চহী নৌরিবা নুপামচাশিংবু লান্না লমজিংলিবা, থিংলুবা ঙল্লরোইদবা মতমসিগী মোবাইল, ইন্টরনেট সার্ভিসশিংগী মতাংদা নুপামচাশিংবু ৱাখল তাহন্না থম্নবগীদমক জেনরেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাল্লিবা লৈঙাকসিনা অথুবা মতমদা পাঙথোকহন্নীংই অমসুং লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব/ ওর্গেনাইজেসনশিং য়াওনা পূন্না, মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক শীজিন্নরিবা অমসুং মরাং কায়না ফংলিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল খুদিংমকসি খুদক্তগী হৌনা থিংনবা থৌরাংশিং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহকপা খোঙথাং অমগা লোয়ননা পায়খৎহন্নীংই"।*